# সব জুনিয়র বোইজগীদা য়ু টি এগী পামথোইবা থৌনাওজমনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর টাইক্বান্দো এসোসিএশন (এ এম টি এ)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১৮ লক শুবা গভর্নরস টাইক্বান্দো কপ মণিপুর ২০২৫গী সব জুনিয়র বোইজগীদা য়ু টি এগী পামথোইবা থৌনাওজমনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।



থা অসিগী ১৭তগী হৌদুনা চথরিবা টাইক্বান্দো কপ অসিগী ঙসি হুন্নি চনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা কেজি ৫২ মথক্কী সব জুনিয়র বোইজগী ফাইনেল মেটচতা য়ু টি এগী পামথোইবা থৌনাওজমনা ক্লব অসিমক্কী শান্নরোয় লোইতোংবম তোমথিনঙানববু মায়থীবা পীরগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। কেটাগরি অসিমক্তদা টি টি এগী অর্নোল্ড মোইরাংথেম অমদি য়ু টি এগী বি ৱারিলেম্বা মৈতৈ অনীনা পুন্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌমীন্নখি।

সব জুনিয়র বোইজগী কেজি ২৩ মখাগী ফাইনেল শান্নখিবদা য়ু টি এগী এন তরাবিননা আই এম আর টি এগী এল য়াইখোম্ববু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। লোয়নন্না কেটাগরি অসিমক্তদা টি টি এস নম্বোলগী এম মালেমঙানবা অমদি ঐচ এ একাদেমীগী গিপসন সনসম অনীনা পুন্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

সব জুনিয়র বোইজগী কেজি ৫৫ মখাগী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা য়ু টি এগী সমসন নোংথোম্বমনা কে টি এগী এম কার্লোসপু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। কেটাগরি অসিগী ওইনা আর টি এগী চীংঙাখম লিওনার্দো অমদি টি এফ সীগী ক্ষেত্রিময়ুম তেজ্রেন্দ্রো অনীনা পুন্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংমীন্নখি।

কপ অসিগী মখা তাবা সব জুনিয়র বোইজগী ওইনা তোঙান তোঙানবা ৱেথ কাঙলুপকী ফাইনেল মেটচ শান্নখিবদা য়ু টি এগী চীংশু মোইরাংথেম, কে টি এগী নোংদম খোঙবান্তাবমনা মাগী মাগী মায়োক্ন রিবা লম্বাশিংবু মায়থীবা পীরম্লগা গোল্ড মেদলশিং লৌবা ঙমখ্রে।

# ইন্দিয়ানা জপান থোইদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখ্রে

**ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৯ (এজেন্সী):** থাইলেন্দগী নাখোন পাথোনদা চথখিবা এসিয়ন মেন্স অন্দর-১৬ ভোলিবোল চেম্পিয়নশিপতা অহানবা ওইনা থোক্লকখিবা ইন্দিয়ানা জপানবু ৩-২ (২৫-২১, ১২-২৫, ২৫-২৩, ১৮-২৫, ১৫-১০)দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌদুনা পুৰারী শেন্বা ঙমখ্রে। সেমী ফাইনেলদা পাকিস্থাননা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীখ্রবা মতুংদা ব্রোঞ্জ মেদল মেটচ অসিদা ইন্দিয়ানা জপানবু মায়থীবা পীখিবনি। ইন্দিয়াগী টিমনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা অহুমশুবা মফম ফংখিবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অব্দুলা (পোইন্ট ১৬), অপ্রাটিম (পোইন্ট ১৫), রাফিক (পোইন্ট ১২) অমসুং চরননা (পোইন্ট ৪) লৌখি। চেম্পিয়নশিপ অদুগী সেমী ফাইনেলিষ্ট মরিনা ওগষ্ট ১৯দগী হৌরগা ২৯ ফাওবা কটারদা পাঙথোক্কদবা এফ আই ভি বি ভোলিবোল বোইজ অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে হায়রি।

# কেদেট গার্লসকী ফোইল ইভেন্টতা টি মঙাললৈবীনা গোল্ড লৌখ্রে



**ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস):** খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা ফেন্সিং হোলদা চথরিবা ৩ লক শুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা কেদেট গার্লসগী ফোইল ইভেন্টকী ওইনা টি মঙাললৈবীনা গোল্ড লৌখ্রে।

মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং এসোসিএশননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৭তগী হৌরগা চথরক্লিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি হুন্নি চনবা নুমিৎকী পাঙথোকখিবা কেদেট গার্লসকী ফোইল ইভেন্টকী ওইনা ঙসি লম্বা তৌনখিবা ফাইনেল মেটচতা ৱাই দি ওগী টি মঙাললৈবীনা ওলাগী এল মেরিনাবু মায়থীবা পীরম্লগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

ইভেন্ট অসিমক্কী চপ মান্নবা কেটাগরিদা ৱাই দি ওগী এম গিতারানী অমদি ওলাগী ঐচ তোনিবিয়া অনীনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংমীন্নখি।

ঙসি জুনিয়র বোইজগী সেবর ইভেন্টকী ফাইনেল মেটচতনা কে ঐচ এফ এগী মেক্সি থোকচোমনা ৱাই দি ওগী এন সাওলিন মায়থীবা পীরম্লগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে। ইভেন্ট অসিমক্কী কাঙলুপ্তা এম আই আই এসকী এন জি মঙাংবা অমদি ওলাগী কে জেরিৱুল অনীনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌমীন্নখি।

জুনিয়র গার্লসকী ইপি ইভেন্টকী ওইনা ৱাই দি ওগী এল চিংলেম্বীনা গোল্ড, পোলোই ক্লবকী জি কেনিয়ানা সিলভর অদুগা কে ঐচ এফ একী দিবিয়া অমসুং জেজিনা ব্রোঞ্জ লৌমীন্নখি।

# সিনিয়র ৱিমেন্স নেশনল কেম্পতা শরুক য়াগদবা মেম্বর ৪০গী মমিং হোক্কী ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে

**বেঙ্গলুরু, জুলাই ১৯ (এজেন্সী):** এসিয়া কপ ২০২৫গী মাঙওইননা হোক্কী ইন্দিয়ানা পাঙথোকপা সিনিয়র ৱিমেন্স নেশনল কেম্পতা শরুক য়াগদবা মেম্বর ৪০গী মমিং ঙসি লাউথোকখ্রে।



সিনিয়র ৱিমেন্স নেশনল কোচিং কেম্প অদু থা অসিগী ২১দগী ওগষ্ট ২৯ ফাওবা বেঙ্গলুরুগী স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) সেন্টরদা পাঙথোল্লগনি। নেশনল কেম্প অসি ইন্দিয়ন ৱিমেন্স হোক্কী টিমগীদমক্তদি য়াম্না মরুওইবা অমা ওইবগা লোয়নন্না চাইনাগী হাংঝৌদা সেপ্টেম্বর ৫দগী হৌগদৌরিবা ৱিমেন্স এসিয়া কপ ২০২৫গীদমক্তসু কেম্প অসিনা কান্নবা কয়া পীরগনি হায়রি।

বেঙ্গলুরুদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেশনল কেম্প অসিনা কুমজা ২০২৬কী এফ আই ঐচ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপতা ক্বালিফিকেশন ওইনবগী মরুওইবা লম্বী অমসু ওইরগনি। মমাঙদা পাঙথোকখিবা কেম্পশিংদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিং হন্দক্কী অসিদা শরুক য়াহনবগা লোয়নন্না পাঙথোক্কদৌরিবা কোচিং অসিনা শান্নরোয়শিংগী লোং টর্ম দিভেলপমেন্ট কয়া পুরকপা ঙমগনি হায়রি।

কেম্প অসিদা গোলকীপিং য়ুনিটতা শরুক য়াগদৌরিবশিংগী মনুংদা সবিতা, বিচু খারিবম, বান্সারি সোলানকি, মধুরি কিন্দো অমসুং অসাম হোক্কীগী হৈথোই-শিংথোইরবী গোলকিপর সমিকশা সক্সেনাসু য়াওরি। দিফেন্স লাইনঅপতা নিক্কি প্রধান, সুশিলা চনু পুখ্রম্বম, উদিতা, মহিমা চৌধরি, ইশিকা চৌধরি, জ্যোটি ছাত্রি, অঞ্জনা দুংদুং, অকশাটা অবাসো ধেখালে অমসুং সুমন থৌদাম য়াওরি। মিদফিল্ডদা নেহা, সালিমা টেটে, ভাইস্নভি বিথল ফালকে, মনিশা চৌহান অমসুং শর্মিলা দেবী য়াওনা ইনখৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা সুজাটা কুজুর, মহিমা টেটে, অলবেলা রানী টোপো অমসুং পুজা য়াদব য়াওরি। ফোরৱার্দ লাইনদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা নবনিট কোর, দিপিকা সোরেং, সঙ্গিতা কুমারী, রুটুজা দাদাসো পিসাল, মমতাজ খান, ব্যুটি দুংদুং, অন্নু, রিটকা সিংহ, দিপিমোনিকা টোপো, চন্দনা চগাদিশ অমসুং কাজল সাদাশিব অটপদকর য়াওরি।

হোক্কী ইন্দিয়ানা থাদোরকপা ৱারোল অমদা, ইন্দিয়ন ৱিমেন্স হোক্কী টিমগী চীফ কোচ হলেন্দ্র সিংহনা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন্স নেশনল কেম্প অসি শান্নরোয়শিংগীদমক য়াম্না মরুওইবা অমা ওইবগা লোয়নন্না মসিনা কুমজা ২০২৬কী ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়ানবগী অচৌবা লম্বী অমা ওইরগনি হায়রি। হাংঝৌদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন্স এসিয়া কপ অসিগীদমকসু কেম্প অসিনা য়াম্না চাওবা মতেং পাংবগা লোয়নন্না হন্দক্তা লোইশিনখিবা এফ আই ঐচ প্রো লীগতা ইন্দিয়াগী টিমনা শীংনবা কয়া মায়োক্লখিবদু এসিয়া কপতদি চাওনা মায় পাকপা ঙম্লগনি হায়খি।

# রেষ্টলর অন্টিম পঙ্ঘল অমসুং হর্শিতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে

**বুদাপেষ্ট, জুলাই ১৯ (এজেন্সী):** হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা চথরিবা পোলয়াক ইমরে এন্দ ভার্গা জানোস মেমোরিএল ২০২৫ রেষ্টলিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর অন্টিম পঙ্ঘল অমসুং হর্শিতানা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্লকখ্রে।



ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলরশিংনা ঙরাং ফাওবদা গোল্ড মেদল ২, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ লৌদুনা মেদল ৪ ফংবা ঙম্লকখিবনি।

কেজি ৫৩গী কাঙলূপ্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর অন্টিম পঙ্ঘলনা রসিয়াগী নটালিয়া মালিশেভাবু ৭-৪দা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি। মেদা পাঙথোকখিবা উলানবাটার ওপনদা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মতুংদা হন্দক্কী অসিনা চহী অসিদা অনীরকশুবা ওইনা শান্নরোয় অসিনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। কুমজা ২০২৪গী পেরিস ওলিম্পিক্সতা শরুক য়ারুরবা শান্নরোয় অসিনা টর্কিগী জেনেপ য়েটগিলবু য়াম্না লায়না ১০-০দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী কেম্প্যেন হৌদোকখি। মমাঙ চহীদা শান্নখিবা সম্মর গেমসকী ওপনিং বাউটতা টর্কিগী রেষ্টলরগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবদা য়াম্না নীংবা কায়না মায়থীবা নংহৌবদু বুদাপেষ্টতা পাঙথোক্লিবা রেষ্টলিং টুর্নামেন্ট অসিনা কোকহনবা ঙল্লে হায়রি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর হর্শিতাসু কেজি ৭২গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল অমা লৌদুনা ইন্দিয়াগী মেদল টেলিদা অনীশুবা গোল্ড অমা হাপচিনবা ঙমখি। নোর্দিক সিষ্টমদা হীদান্নখিবা অদুদা মরিরক এসিয়ন চেম্পিয়ন ওইখ্রবা কজাখষ্টানগী জামিলা বেকবরজে নোভাবু ফাইনেল রাউন্দদা মায়থীবা পীবা ঙমখি। মমাঙগী রাউন্দশিংদা হর্শিতানা ফ্রান্সকী পাওলিন লেকারপেন্টিয়র অমসুং সেনিয়া বুরাকোভাবু মায়থীবা পীখি।

কেজি ৫৭কী কাঙলূপ্তা লৈবাক অসিগী রেষ্টলিং শান্নরোয় নেহা শাংৱাননা সিলভর মেদল লৌবা ঙম্লকখি। চহী ১৮ শুরবা শান্নরোয় অসিনা কজাখষ্টানগী হান্নগী জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন নিলুফার রাইমোভাবু ক্বার্টর ফাইনেলদা ৭-২দা মায়থীবা পীরমখিবনি। সেমী ফাইনেলদনা শান্নরোয় অসিনা হঙ্গেরিগী রোজা জেন্টামাসিবু ৮-৪দা মায়থীবা পীরমখি।

নুপীগী কেজি ৫০গী কাঙলূপ্তা লৈবাক অসিগী শান্নরোয় নীলমনা সেনিয়া ষ্টানকেভিচপু মায়থীবা পীরমদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অসিনা কানাদাগী মেদিসন পার্ক্সকা ক্বালিফিকেশনদা লম্বা তৌনখিবদা ১০-৮দা মায় পাকপা ঙমখি। অদুম্মকপু ক্বার্টর ফাইনেলদদি ইলিজাভেটা মিনোভাগী মখূৎতা মায়থীবা নংহৌখি। ইন্দিয়াগী নীলমনা নাদেজদা সোকোলোভাবু ১৮-৭তা মায়থীবা পীরমদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা মখোয়গী হৈ-শিংবশিং মপূং ফানা উথোক্তুনা মেদল ৬ লৌবা ঙমখি। টুর্নামেন্টকী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা মেদল অনী লৌবা ঙমখিবা অদুদা নুপাগী কেজি ৬৫গী মেন্স ফ্রীষ্টাইলদা সুজিট কালকানা গোল্ড মেদল অমসুং কেজি ৫৭কী কাঙলূপ্তুনা রাহুলনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি হায়রি।

# ইন্দিয়া বেদমিন্টন এসিয়া জুনিয়র মিক্স টিম চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

**সোলো, জুলাই ১৯ (এজেন্সী):** ইন্দোনেসিয়াগী সোলোদা চথরিবা বেদমিন্টন এসিয়া জুনিয়র মিক্স টিম চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা য়ুনাইটেদ অরাব ইমিরেট্স (য়ু এ ঈ)বু ১১০-৮৩দা মায়থীবা পীরমদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে হায়রি।

ঙরাং শান্নখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহৌবা নুমিৎতসু ইন্দিয়ানা স্রি লঙ্কাবু চাওনা মায়থীবা পীরমখিবনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা হোং কোংনসু মখোয়গী মেটচশিংদা অনীরক মায় পাকপা ঙমখিবগা লোয়নন্না টিম অনীনা নোকআউট ষ্টেজদা খুমাঙ য়াঙশিনবগী খূদোংচাবা ফংখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং য়ু এ ঈগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচশিংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী হৈ-শিংবা অমসুং অখাঙ কনবগী মতৌ অদু মপূং ফানা উথোক্তুনা হাফকী মতম ফাওবদা স্কোর বোর্দতা ইন্দিয়ানা ৫৫ লৈখিবদা য়ু এ ঈনা ৪১ লৈখি।

য়ু এস ওপন ফাইনেলিষ্ট টানভি শর্ম্মনা মধুমিটা সুন্দারাপন্দিয়নগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেটচ অমদসু মহাক্না মপূং ফানা হৈ-শিংবা উৎতুনা ৬৬-৪৬তা মাঙজিল থাখি।

# এ সী সীগী মীফম ধাকাদা পাঙথোক্লবদি, ইন্দিয়ানা ৱারেপশিং বোইকোট তৌনবা শেম শাখ্রে

**ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৯ (এজেন্সী):** এসিয়ন ক্রিকেট কাউন্সিল (এ সী সী)গী চহীগী জেনরেল মীটিং ধাকাদা পাঙথোক্লবদি মীফম অদুগী রিজোল্যুশনশিং বোইকোট তৌরগনি হায়না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না ফোঙদোকখ্রে।

বি সী সী আইগী মায়কৈদগী ধাকাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসি অতোপ্পা মফম অমদা পাঙথোক্লবা খঙহনখ্রবসু এ সী সীগী মায়কৈদগী পাউখুম অমত্তা পীরকপা লৈত্রি।

বি সী সী আই অমসুং এ সী সীগী মরক্তা চয়েৎনবা লৈরিবা অসিনা টি-২০ ফোর্মেটতা শান্নগদৌরিবা এসিয়া কপ সিক্স টিম টুর্নামেন্টকী তুংগী মরাইবক তন্বা ঙমদ্রি হায়রি। টিম ৬না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া কপ অসিগীদমক ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইনবগী থৌরাং তৌরিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী শান্নগদবা মফমশিং অমসুং সেদ্যুল্ড এ সী সীনা লাউথোক্লবগী থৌরাং তৌরিবনি। অনওফিসল ওইনা ফোঙদোক্লখিবদা টুর্নামেন্ট অসি সেপ্টেম্বরদা তৌরবা য়াই হায়রি।

এ সী সীগী মীফম থা অসিগী ২৪দা ধাকাদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌবা লোইখ্রে। বাংলাদেশকী হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মীফম অদুদা শরুক য়াদনবগী ৱারেপ লৌখিবনি। হন্দক্তা বি সী সী আই অমসুং বি সী সীগী মরক্তা মথং থাগী ২৫ দগী মথং চহীগী সেপ্টেম্বর ফাওবা চথগদবা ইন্দিয়াগী টুর ওফ বাংলাদেশ লেপ্পবা নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবা লৈখ্রবনি। এ সী সী অসি পি সী বিগী চেয়রমেন অমসুং পাকিস্থানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর মোহসিন নকভিনা লুচিংলি।

থাজবা য়াবা পাউগী লীখুন অমনা ধাকানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এ সী সীগী মীফম অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মথৌ তাদবা প্রেসর পীরকপগী কান্নবা লৈতে হায়খি।

সোর্ছ অমগী মতুংইন্না বি সী সী আইনা এ সী সীগী প্রসিদেন্টতা এন্যুএল জেনরেল মীটিংগী মফম হোংদোক্লবা খঙহনখ্রবসু মদুগী পাউখুম হৌজিক ফাওবা বি সী সীগী মায়কৈদগী পীরকপা লৈত্রি হায়রি।

বি সী সী আইনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমদা, ধাকানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিগী মহুৎতা অতোপ্পা মফম অমদা পাঙথোক্লবদি এসিয়া কপ শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোক্কনি হায়রি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL-EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 384/SDC/SWG of 2025**

Parties:- Longjam Moirangleima W/o (L) Kerani Singh of Sangomsang Mayai Leikai - Petitioner

-VS-

Late Pattadar : (1) Longjam Kerani Singh S/o (L)Thambou Singh of Sangomsang - Opposite Parties

**/ NOTICE**

Sawombung, the 18th July, 2025

Under Section 46 (3) of M.L.R & L.R Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুন নংঃ 34-Sangomsang পট্টা নং: 91 (অরিবা) 362 (অনৌবা) দাগ নং: 1245 মোট এরিয়া 0.39 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Longjam Kerani Singh মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপটি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/2861/20

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL-EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 386/SDC/SWG of 2025**

Parties:- Longjam Moirangleima W/o (L) Kerani Singh of Sangomsang Mayai Leikai - Petitioner

-VS-

Late Pattadar : (1) Longjam Thambou Singh S/o (L) Angangton Singh of Sangomsang - Opposite Parties

**/ NOTICE**

Sawombung, the 18th July, 2025

Under Section 46 (3) of M.L.R & L.R Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুন নংঃ 34-Sangomsang পট্টা নং: 210 (অরিবা) 264 (অনৌবা) দাগ নং: 1280 মোট এরিয়া 0.81 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Longjam Thambou Singh মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপটি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/2861/20

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL-EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 385/SDC/SWG of 2025**

Parties:- Longjam Moirang Leima W/o (L) Kerani Singh of Sangomsang Mayai Leikai - Petitioner

-VS-

Late Pattadar : (1) Longjam Kerani Singh S/o (L) Thambou Singh of Kangla Sangomsang
(2) Longjam Thambou Singh S/o (L) Angaton Singh of -do-
- Opposite Parties

**/ NOTICE**

Sawombung, the 18th July, 2025

Under Section 46 (3) of M.L.R & L.R Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুন নংঃ 34-Sangomsang পট্টা নং: 14 (অরিবা) 166 (অনৌবা) দাগ নং: 1231, 1234, 1230 মোট এরিয়া 0.90, 0.68 & 0.70 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার ১) Longjam Kerani 2) Longjam Thambou মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপটি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/2861/20

**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR - IMPHAL**

**/ ADMISSION NOTICE / 605**

Dated, the 18th July, 2025

No.MU/3/Adm/Aca/24: Online applications are invited for admission into the following programmes for the academic session 2025-26:

**UG Programmes :**
1. B.Voc. in Food Processing and Quality Management (3 Year Degree Programme)
2. Bachelor of Physical Education & Sports (BPES) (4 Year Degree Programme)

**Integrated Programmes**
1. Five-Year Integrated B.A./M.A. in Dance.
2. Five-Year Integrated B.A./M.A. in Hindustani Music
3. Five-Year Integrated B.A./M.A. in Japan
4. Five-Year Integrated B.A/M.A. in Korean
5. Five-Year Integrated B.Voc./M.Voc. in Tourism and Hospitality Management
6. Five-Year Integrated B.Voc./M.Voc. in Retail Management and Foreign Trade

**Eligibility criteria:** Kindly check e-prospectus 2025-26 uploaded on the university website (www.manipuruniv.ac.in)

**How to apply:**
Online Application may be submitted at https://manipurunivcuet.samarth.edu.in/

**Selection Criteria:**
Selection of candidates/preparation of merit list will be based on CUET (UG)-2025 score.

**General Instructions:**
1. Before filling up of online application form, applicants should read the e-Prospectus and instructions carefully and follow it strictly.
2. An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs. 200/- (in case of ST/SC/PWD) candidates are to be paid online using Debit Card/Credit Card/Net Banking/UPI only.

**IMPORTANT DATES:**

| | |
|---|---|
| Start of Online Submission | **19.07.2025** |
| Last Date for Online Submission | **10.08.2025** |

Sd/-
Prof. Th. Binoy Singh
Registrar (i/c)

HL-B/9721/19 & 20 July

**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR - IMPHAL**

**/ ADMISSION NOTICE / 606**

Dated, the 18th July, 2025

No.MU/3/Adm/Aca/24: Online applications are invited for admission into the following programmes for the academic session 2025-26:

**UG Programmes :**
1. Bachelor of Physical Education & Sports (BPES) (Lateral Entry into 7th Semester)

**Diploma Programmes :**
1. One-Year PG Diploma in Human Rights & Duties Education (PGDHR)
2. One-Year PG Diploma in Guidance & Counseling (PGDGC)
3. One-Year PG Diploma in Public Health (PGPH)
4. One-Year PG Diploma in Computer Application (PGDCA)
5. One-Year Diploma in Information Technology (DIT)
6. One-Year PG Diploma in Yoga (PGDY)
7. One-Year Diploma in Sanskrit
8. One-Year PG Diploma in Museology
9. One-Year PG Diploma in Translation
10. One-Year PG Diploma in Communicative English

**Certificate Programmes :**
1. One-Year Certificate course in Chinese
2. Six-Month Certificate course in Spoken Myanmarese
3. Six-Month Certificate course in Translation
4. Six-Month Certificate course in Communicative English

**Eligibility criteria :** Kindly check e-prospectus 2025-26 uploaded on the university website (www.manipuruniv.ac.in)

**How to apply :**
Online Application may be submitted at https://manipurunivadm.samarth.edu.in/

**Selection Criteria:** Based on written test conducted by the university.

**General Instructions :**
1. Before filling up of online application form, applicants should read the e-Prospectus and instructions carefully and follow it strictly.
2. An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs. 200/- (in case of ST/SC/PWD) candidates are to be paid online using Debit Card/Credit Card/Net Banking/UPI only.

**IMPORTANT DATES:**

| | |
|---|---|
| Start of Online Submission | **19.07.2025** |
| Last Date for Online Submission | **10.08.2025** |

Sd/-
Prof. Th. Binoy Singh
Registrar (i/c)

HL-B/9721/19 & 20 July